HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ



রাজ ভবন্দা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপতুলানা পেনোরমা ওফ হেন্দলুমস এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস ওফ মণিপুর হায়না মীংথোনবা কোফি টেবল বুক ফোঙখিবা

লামায় ১

ৱর্ল্ড স্লীপ দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে
লামায় ৩

য়াওশঙ মৈ থাবগী থৌরম খক্তমক পাঙথোক্লগনি
লামায় ৪

জেলদা লৈরিবা মীওই ১৬ ঐচ সী ভি, ঐচ বি ভি পোজিটিভ ওইরম্লে
লামায় ৪

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ত্রিপুরাগী মনাশিং লাম্থোক্লগনি
লামায় ৫

অসামগী ফাইনান্স মিনিষ্টরসু ওইরিবা বি জে পিগী য়াম্না মরুওইবা লুচিংবা হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা গুৱাহাতিগী জালুকবারি এসেম্বলী কনষ্টিটুএন্সিদগী মীরেপ চে পীশিনবদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন শরুক য়াখিবা



লামায় ১

Vol. 44, Issue No. 340 | থাংজ, লমতাগী ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, March 20, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস):

হৌখিবা মার্চ ১৩দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদগী চহী ৯দা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু লাইরিক তাকপীগে হায়না থেম্লগা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনখিবগী থৌদোক্তা চেন্নে হায়দুনা থৌবাল ৱিমেন পুলিসনা ফাখিবা শমুরাইলাৎপম আনন্দ (২২) ঙসি স্পেসল কোর্ট পোক্সো থৌবালগী জজগী মাঙদা পুথোক্লবা মতুং জুদিসল রিমান্দ পীদুনা জেলদা থাজিনখ্রে।

চহী নৌরিবী নুপীমচা অমবু ইকায়খুম্নবা মাঙহনবদা চেন্নবা আনন্দ কোর্টদা পুথোরকপদা নুপীমচা অদুগী ইমুং মনুং অমদি লৈকায়গী মীওইশিংনা মরাল লৈবা আনন্দ শিবগী চৈরাক পীয়ু হায়বা খোল্লাউ লাউরদুনা কোর্টকী কমপ্লেক্সতা থোমজিল্লকখি। মশীং য়াম্লবা মীয়াম অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা চৈনা কন্দুনা তানখায়খি। পুলিসনা মীয়াম অদু তানখায়বদা নুপী ২ শোক্লুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎলগা লায়কন্নখি হায়রি।

## গভর্ণরনা কোফি টেবল বুক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস):

মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপতুলানা ঙসি রাজ ভবনদা পেনোরমা ওফ হেন্দলুমস এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস ওফ মণিপুর হায়না মীংথোনবা কোফি টেবল বুক ফোঙখ্রে। থৌরম অদুদা টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বাজিৎ, এম ঈ ঈ টি এ সীগী সী ঈ ও, এস এস চাব্রা অমসুং নেসনল ইন্সটিটুট ওফ দিজাইন (এন আই দি) গী আউটরিছ দিপার্টমেন্টকী প্রোজেক্ট হেদ ডা. বিন্দু রঞ্জনসু শরুক য়াখি।

## পুলিসনা লুটর ৩ ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস):

সী আর পি এফনা ঙাক শেল্লগা দিমাপুরদগী ইম্ফাল তম্না লাকখিবা এল পি জি গ্যাস পুবা ট্রক ঙরাং নোংয়াই মতুং পুং ২.৩০ তাবদা মশক খঙদবা মীওই ৫ রোম্না কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা এল খেংজাং ময়াদা ট্রক ৩ নুঙনা থাদুনা নমদুনা খামহল্লগা শেল অমদি মোবাইলনচিংবা লৌখিবা মীওই ৩ ফারে হায়রি।

মখোয় অদুদি খেংজাং খুনদগী লমমিনসৈ সিংশিৎ (১৯), অপোকপা গিলেন সিংশিৎ, দামদৈ খুনদগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# লো দিপার্টমেন্ট ফাওবনা রুল ঙাক্ত্রবরা

## লোইশঙসিনা লৈঙাকসিগী ফজরবা মচৎ সলাক শাহন্দৌরে, প্রোজিক্যুটরশিংনা 'ইরিগ্যুলরিটি' অমসুং 'অন-ফ্যেরনেস' শিং চ্যেক তৌবীনবা ৱাকৎলক্লে

**ঈরোন্নুংদা করি...**

**মাইবম ধনবির**





ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস):

দেমোক্রেসিগী লৈঙাক লিংলিবা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরিবা মণিপুরদসু অতৈ ষ্টেটশিংদা মসিগী ৱাহন্থোক লৈহন্না লৈঙাকপগুম লৈঙাকলোনসিগী মপূং ওইবা ঙাক্লৌশিং ওইরিবা লেজিসলেচর, এগজিক্যুটিভ অমসুং জুদিসিয়ারিদা মপাঙ্গল কন্না মতিং ফুদোক্তুনা চৎনহল্লকপনা হৌজিক লৈবাকসিনা নীংতম্লবা মতুং চহী ৭৪ শুজিল্লক্লবা ফাওবদা লৈঙাকলোনসি কিন্থরক্তনা হিংলিবনি অদুবু পিল্লবা ষ্টেটসিদদি লৈঙাক্লা প্রোজিক্যুসন দিপার্টমেন্টপু হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমহন্দনা থম্বগী মথক্তা লো দিপার্টমেন্ট ফাওবনা রুল ঙাক্তবগী থৌওংশিংনা লৈঙাকসিগী ফজরবা মচৎ সলাক শাহন্দৌরে।

লৈঙাকসি মায় পাক্লা লিংলকপা চহী ৪ মপূং ফারকপগী কুমওন থৌরম থা অসিগী ১৫দা ধুম-ধামদা চাউনা শীন্দুনা পাঙথোক্লখিবগী হরাও তয়াম্বগী ইনিল লৈরিঙৈগী চৈরক্তা নোংমখক কান্নরগা থাসিগী ১৭তা মণিপুরগী ওইনা জুদিসিয়ারিগী মপূং ওইবা থৌদাং লৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংগী পব্লিক প্রোজিক্যুটরশিংনা সেক্রেটরি (লো) গী থবক থৌওংশিংদা খম থেংনা পেন্দবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা প্রোজিক্যুসন দিপার্টমেন্টতা লৈরিবা 'ইরিগ্যুলরিটিশিং' অমসুং 'অন-ফ্যেরনেসশিং' চ্যেক তৌবীনবা ৱাকৎলক্লে।

অশোয়বা-অরানবশিং মীৎনা শং-শং উবদগী পেল্লক্ত্রবা অদুগা প্রোজিক্যুটরগী সর্ভিসতা লৈবগী হৌনবা লৈঙাকসিবু মশক ফজ হন্নীংলিবা পব্লিক প্রোজিক্যুটরশিংগী ৱাকৎতু চীফ সেক্রেটরিদা এদ্রেস তৌদুনা পীশিল্লকখিবনি। ৱাকৎতুদা সিনিয়র এদিসনেল পব্লিক প্রোজিক্যুটর মঙানা পূন্না খূৎয়েক পীরি।

ৱাকৎতুনা হায়, মখোয়না ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং অদু 'ফেক্টস এন্দ সর্কমষ্টেন্সেস ঙাক্তনি' অমসুং 'ঐখোয়গী গ্রিভান্সেসশিংসি চেকশিন্না য়েংশিনবীরগা খন্নবীয়ু' হায়বসিনি।

মরমদি জন্যুৱারী ২২, ২০২১দসু মিনিষ্টর (লো) গী খূত্থাংদা চীফ মিনিষ্টরদা রিপ্রজেন্টেসন অমা মাঙজেন্না পীশিনখ্রে। মদুদা হৌখিবা চহী কয়াদা তৌখিবগুম্না প্রোজিক্যুটরশিংগী মরক্তগী সিনিয়রমোষ্ট অমদা দিরেক্টর ওফ প্রোজিক্যুসনগী চার্জ নংত্রগা এপোইন্টমেন্ট পীবিয়ু হায়খিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা এপোইন্টমেন্টসু পীরক্তে, চার্জসু পীরক্তে হায়রি।

অদুবু, ফীভমসিদা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা খংলাক-খংজিন্দা সেক্রেটরি (লো) না ফেব্রুৱারী ২৪, ২০২১দা থোকপা ওর্দর অমনা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স কোর্ট, থৌবালগী এদিসনেল পব্লিক প্রোজিক্যুটর পুখ্রম্বম ধনকুমারবু এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ (ফাষ্ট ত্রেক্ট কোর্ট), মণিপুর ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টতা ট্রান্সফর তৌরকখিবগা লোয়ননা এদিসনেল চার্জ ওইনা দেপ্যুটি দিরেক্টর ওফ প্রোজিক্যুসনগী থবকসু লুক অফটর তৌনবা খঙহল্লকখি। সেক্রেটরি (লো) গী থৌওং অসি ফেবরিটিজম অমসুং ইরিগ্যুলরিটিশিং ময়েক শেংনা উৎপনি হায়রি।

করিগুম্বা অর্জেন্সিগী তঙাই-ফদবা অমসুং মথৌ তাবদগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওফ প্রোজিক্যুসনগী থবকশিং য়েংশিন্নবা (লুক অফটর তৌহন্নবা) খনবা তারবসু মসি সিনিয়রমোষ্ট নংত্রগা মোষ্ট ইফিসিএন্ট ওইবা এদিসনেল পব্লিক প্রোজিক্যুটর অমদা পীগদবনি হায়রি।

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মরোল থোকপা লাই/





# ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিং ঈচেল তৎলে, মীয়াম্না ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লবা হৌরে

**বিজয় লাইশ্রম**

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস):

ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিং ঈচেল তৎলে। কোইরেঙ্গৈদগী লিলোং ফাওবগী মনুংদা লৈবা ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্টশিংগী ঈশিং লৌফম লৈতদুনা থবক লেপখিবদগী মীয়াম্না ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লবা হৌরে।

হান্নদগীসু টোটি ঈশিং চাং নাইনা তাদবনা মীয়াম্না থক্লা চানবগী ঈশিং অসি তঙাইফদনা লন্নাই ওইনা লৈরগা শীজিন্নরিবনি। হৌজিক অমুক ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিং ঈচেল অসি তৎখিবদগী তুরেল অসিগী অকূৎপা মফমশিংদা ঈশিং খরা লৈহৌবা অদু মীওই খরনা ঈল চিংদুনা ঙা ফাবা অমদি মীওই খরনা পন খাগৎতুনা লন্নাই ওইনা তুলু শীজিন্নরগা ঈশিং চিংখৎপসু য়াওরি।

পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ঈ দি) দগী ফংবা পাউগী লিখুন অমনা হায়, যূম কুংনা তারিবা গ্রেটর ইম্ফাল এরিয়াদা নোংমদা চাওরাক্লা ঈশিং লিটর মিলিয়ন লাখ ৮০০ রোম মথৌ তাই। ইম্ফাল তুরেলদা মরু ওইনা কোইরেঙ্গৈদগী ক্যামগৈ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা ৱাটর সপ্লাই ট্রিটমেন্ট প্লান্ট ৮ লোম্না তুরেল ঈশিং চিংখৎলগা মীয়ামদা ঈশিং পীরম্বনি। অদুবু তুরেলদগী চিংখৎনবা ঈশিং লৈতবদগী ট্রিটমেন্ট প্লান্ট খরদদি মশানা থবক লেপ্লকপা তাবনি। খরা কুৎপা ঈশিং লৈবা এরিয়াদদি তুরেলদগী ঈশিং চিংখৎলগা ৱাটর ট্রিটমেন্ট তৌদুনা মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনরি। অদুবু নোং তারক্তবা থোক্লবদি হেন্না অৱাবা ওইগনি। তুরেলগী অকুৎপদা লৈরিবা ঈশিং অসিসু অমুক কংখিবা তারবদি দামগী ঈশিং অমুক হন্না থাদোরকপা য়াই।

ঈরিল তুরেলগী খরা কুৎপা মফম ওইরিবা পোরোম্পাৎ, ইরিলবুং অমসুং লিলোংনচিংবদা ঈশিং খরা লৈবদগী মীয়ামদা ঈশিং খরদি ফংহল্লি। পোরোম্পাৎ ট্রিটমেন্ট প্লান্টতগী নোংমদা ৱাটর টেঙ্কর ২০, দি আই টাটা ৮ অমসুং সিক্যুরিটিগী গাড়ী মরু ওইনা সি আর পি এফ, বি আর টি এফ, আই আর বিনচিংবনা টোকন কল্লগা ঈশিং লৌরি। ৱাটর টেঙ্কর অমনা নোংমদা গাড়ী ট্রিপ ৫/৬ চৎলি। অদুগা দি আই টাটা অমনা নোংমদা গাড়ী ট্রিপ ৬/৭ লোম চৎলি। ঈশিং লিটর লিশীং ১দা লুপা ১২দা পোরোম্পাৎনা পীরি হায়নসু পাউগী লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।



...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# হিমন্ত বিশ্বানা মীরেপ চে পীশিনবদা চীফ মিনিষ্টর বিরেনসু শরুক য়াখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস):

অসামগী ফাইনান্স মিনিষ্টরসু ওইরিবা বি জে পিগী য়াম্না মরুওইবা লুচিংবা হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা ঙসি গুৱাহাতিগী জালুকবারি এসেম্বলী কনষ্টিটুএন্সিদগী মীরেপ চে পীশিনবদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনসু শরুক য়াখ্রে।

পার্টিগী ৱর্কর লিশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা রোদ সো অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা কামরুপ (মেট্রো)গী দেপ্যুটি কম্মিস্নারগী ওফিসতা চৎতুনা মীরেপ চে পীশিনখি। অসামগী ফাইনান্স মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্ম অমসুং বি জে পিগী মপাঙ্গল উৎথোকপা ওইনা রেল্লি অদুদা মশীং য়াম্লবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

মীরেপ চে পীশিনবদা য়াওখিবশিংদি অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱাল, মণিপুর চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, বি জে পিগী ইন-চার্জ বাইজায়ন্ত পন্দা, বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি দিলিপ সাইকিয়া অমদি পার্টিগী অতৈ মকোক থোংবা লুচিংবশিংনি। শর্ম্মগী লোয়নবী রিনিকি ভুয়ান শর্ম্মসু মীরেপ চে পীশিনবা চৎপদা য়াওখি। মীয়ামগী অচৌবা রেল্লি অমগা লোয়ননা মীরেপ চে পীশিনখিবগী মতাংদা হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা অসাম অমদি জালুকবারিগী মীয়ামদা তৌবীমল খঙবা উৎখি। ষ্টেটকী নাৎ য়োকখৎপগা লোয়ননা হীরম খূদিংমক্তা খুম্মাং চাউশিনহন্নবা হোৎনবগী ৱাখল্লোন্দা বি জে পিনা মীখল থেংনবনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# মীওই ৯৪৮ টেষ্ট তৌবদা অমখক পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস):

মার্চ ১৮গী নুংথিল পুং ৫দগী মার্চ ১৯গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা মীওই ৯৪৮কী সেম্পল টেষ্ট তৌবদা মীওই অমখক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ূম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতগী নুপা অমা ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা টেষ্ট তৌবদা নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কেস মশীং ২৯৩২৬ শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫৮৯১ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৪৩৫ য়াওরি। লায়না লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ২৮৯২৯নি। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫৫০০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৪২৯ য়াওরি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৮.৬৪নি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবগী রিপোর্ট অমত্তা লৈতে। লৈখিদবা মশীংসু ৩৭৩দগী হেনদ্রি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, মহারাষ্ট্র, কেরলা, ছটিশগর, মধ্য প্রদেশ, গুজরাট, পঞ্জাব, রাজস্থান অমসুং হরয়ানাদগী ফ্লাইট তোংদুনা লাকপা পেসেঞ্জর খুদিংমক ঙসিদগী আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌবা হৌখ্রে হায়রি।

লুখোসৈ জৌ য়াওনা মীওই ৭ এক্যুইট তৌখিবগী জজমেন্ট

# আপিল ফাইল তৌনবগী অয়াবা পীবিনবা মণিপুর হায় কোর্টতা হায়জরক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস):

কুমজা ২০১৮গী জুন ১৯দা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী নার্কোটিক এন্দ এফ্যেরস ওফ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসননা ফাগৎখিবা হিরোইন নম্বর ফোর কিলোগ্রাম মঙারোম য়াওনা দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট কিলোগ্রাম ২৮ লোমগী মতাংদা পুলিস ষ্টেসন অসিনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেসকী স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুরনা দিসেম্বর ১৭, ২০২০দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা কেস অসিগী অপূনবা এক্যুইজ ৯গী মনুংদা চান্দেল ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী চ্যেরমেন ওইরম্বা লুখোসৈ জৌ য়াওনা মীওই ৭ এক্যুইট তৌখিবগী মায়োক্তা আপিল ফাইল তৌনবগী অয়াবা পীবিনবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা হায়জরকখ্রে।

স্পেসল কোর্ট, এন দি এন্দ পি এস, মণিপুরনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী মতুং ঙসি নুমিৎ ৯২ শুরকপদা জজমেন্ট অদুগী মায়োক্তা আপিল ফাইল তৌনবগী অয়াবা পীবিয়ু হায়জরকখিবা পিটিস্নরশিং অদুনা শিংজমৈ চীংঙামথক্তগী মাইবম জেগেস (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম ইমো, চীংমৈরোংগী লৈ ইখোলদগী গিটচন্দ্র মঙাং (৩৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি তোমচা মৈতৈ, কাংপোকপীগী আইলেন্দ ব্লোক্কী ঙারুমফুং ভিলেজদগী রমথিং হুংয়ো (৬৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা চাকো হুংয়ো অমসুং ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকায়দগী বব্লু লোইতোংবম (৫০) অপোকপা...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## 'মতম কক্তনা বন্দ তৌগনি'

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস):

তৌবুলদগী বিষ্ণুপুর তাবা লন্বী অসি শেন্বীনবা লৈঙাক্লা অকক্লবা মতম অমা পীদ্রিবা ফাওবা লন্বী অসি মতম কক্তনা বন্দ তৌগনি হায়না তৌবুল ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা তৌবুল ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী সেক্রেটরি টি ঐচ বিরেননা হায়খি, তৌবুলদগী বিষ্ণুপুর তাবা লন্বী অসি অসুক্কী মতিক ফৎত্রে। লন্বী অসিদা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। মরী লৈনবশিংদসু লন্বী অসি ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## তরাশুবা কুমওন্না লাকপদা



ইমাগী ইবুংঙো রোজর (গেঞ্জি) ঙসিসু অমুক লাক্লে লমতা থা, লমতা থাবু মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরি, লমতা-থা নঙনা লাকপদা ইচাবু অমুক্তা পুবিরকউবা ইমিৎ পেন্না অমুক্তা য়েংজগে। ইচাগী নুংশিখ্রবা মাইথোংদো। ইমাগী সনামতুম মঙলান্দসু লাকখিদ্রে ইমাবু ৱারৌরব্রো? মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্দবদুগী নৎত্রগা মপোক অমদা চৎলব্রা। ইমা ববানা অহল মতম য়ৌরক্লবদা চৈসু ওইগদবা ইচাবু ইথাদগী মুনবিখ্রবদা কয়াদা ৱানা থাংলি পুন্সি খোংথাং, লাইবক্লা পুবা মায়কৈদা। ইচাগী যূমলেপ চারা তম্বা য়ৌরক্লে অদুবু কদাই..! অমরোমদা ইচাবু মুন্দুনা পুবিখ্রবা মাদি যূমলেপ চার তমদুনা অঙম্বনি মতাগুম কোইচৎ চৎলিবা মতৌসে উরগা ইমানা করম খাঙলমগনি সনামতুম, পারি য়োহেনবা। নোংমদি লন্বীদুদা চৎকদবা ঙাক্তনি অদুবু মরম চাদনা চৎখিবদুগীনি, ইমা ববানা চাক্লিবসে থম্মোয় কনখৎলিবসে। ইমাগী ইবুংঙো নঙগী মমা ববাসে হিংলি হায়বগী ৱানি থম্মোয় অমদি ৱাখলদি অশিবগুম্লে মীৎকী পিদা মঙাইরে। ইচাগী য়াতাফমদা লৈ অমদি মৈরা কৎপসু ইনিং তমহনদ্রে। কংলৈপাক্কী মমা মপাশিংদা মচা অহুম মরিগী অপাম্বা ফাওহনবীয়ু হায়না মপুদা নিজরি। অতোপ্পা মমা-মপা অমত্তদা অসিগুম্বা চৈনাতদি পীবিদনবসু নিজরি। ইমাগী ইবুংঙো, নঙ অফবা মপোক্তা অমুক হন্না পোক্তুনা, মপুগী থৌগল মতোল লোম্না তৌবা ঙম্বা ওইয়ুকো।

মার্চ ২০, ২০২১

**মমা বাবা**

# এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা রিমসপু এইমসকী থাক্তা পুখৎনবা তকশিনখিবগী পাউখুম পীরক্লে

# রিমসতগী মপূং ফাবা প্রপোজেল অমা ফংলবা মতুংদা মখা তাবা এক্সন লৌখৎলগনি : ডা. হর্শ ভর্ধন

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস):

রাজ্য সভাগী এম পি ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা রিজনেল ইন্সটিটুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) পু এইমসকী থাক্তা পুখৎপীনবা কুমজা ২০২০গী সেপ্টেম্বর ২১দা অইবা চেরোল থাদুনা তকশিনখিবা অদুগী মতাংদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ডা. হর্শ ভর্ধননা পাউখুম পীরক্লে।

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ডা. হর্শ ভর্ধননা মহাক্কী পাউখুম অদু হৌখিবা মার্চ ১০দা অইবা চেরোল অমা এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবদা থারক্তুনা পীরকখিবনি। চেরোল অসিদা রিমসতগী মপূং ফাবা প্রপোজেল অমা ফংলবা মতুংদা রিমসপু এইমসকী থাক্তা পুখৎপগী ৱাফমগা মরী লৈননা মখা তাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ডা. হর্শ ভর্ধননা খঙহল্লকখিবনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা থারকখিবা চেরোল অদুনা হায়, রিমসপু এইমসকী থাক্তা পুখৎপগী ৱাফম অসি কুমজা ২০১৯গী সেপ্টেম্বর ১৪দা পাঙথোকখিবা বোর্দ ওফ গভর্ণরসকী মীফমদা কুপ্না খন্নখি। মীফম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর জর্নেল সিংহনা চ্যেরমেন ওইবা কম্মিটি অমা শেম্লগা রিমসপু পার্লিয়ামেন্টকী এক্ট অমগী মখাদা লিংখৎপা এইমসকুম্বা ইনষ্টিটুট অমগী থাক্তা পুখৎপগী মতাংদা খন্ননবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২





HL-P/9344/20





HL-B/6779/10th Feb. to 21 Mar.

**HL Poll**

Q: Oil tanker driversing furamlaga loot toubada chennaba meeoising faduna akanba cheirak pihanningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q: Manipur leingakna Covid-19ga mari leinana laothokkhiba SOP ngakna school amadi collegesingda class pangthok-e khanbra?

Yes 0% No 100%

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ৩৬.৪৫ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১০.২৬ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**অস! লোইরেহে!**

